# ইজিপ্টতা চথখিবা ওপরেসনদা টেররিষ্ট ১১ অমসুং আর্মি পর্সনেল অনী শিখ্রে



কাইরো, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি): অৱাং থংবা সিনাই রিজনদা ইজিপসিয়ন আর্মিনা চথখিবা ওপরেসনদা টেররিষ্ট ১১ হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৬৪০ ফাবা ঙম্লে হায়না আর্মিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুদা আর্মি পর্সনেল অনীসু শিখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, ইজিপসিয়ন আর্মিনা চথখিবা ওপরেসন অদুদা সিনাই রিজনগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরম্বা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকহনবা ঙম্লে। থা অসিগী হৌগৎলকপদা পুলিস অমসুং আর্মিনা 'ওপরেসন সিনাই ২০১৮' পাঙথোকপগী ৱাফম লাউথোকপা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১১ দা লালহৌবগী ঈহৌ কনখৎলকখিবগা লোয়ননা অৱাং থংবা সিনাইদা টেররিষ্টশিংনা মখল মখা কয়াগী এটেক চথুরকখি। কুমজা ২০১৩ দা মীয়ামগী ঈহৌ অমা হৌরকখ্রবা মতুংদা মতমদুগী প্রসিদেন্ট মহমদ মোর্সি মফম লৌথোকখিবদগী মিলিটেন্টশিংনা পুলিস অমসুং মিলিটরিদা মখল মখা কয়াগী এটেক চথুরকখি। হৌজিক ফাওবদা পুলিস অমসুং আর্মি পর্সনেল চা কয়ামরুম শিখ্রে।

মিলিটরিনা অৱাং থংবা সিনাই রিজনদা পাক-শন্না ওপরেসন চথুদুনা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা টেররিষ্টনি চিংনবা মীওই কয়া ফাগৎপা লৈখ্রে। নবেম্বর থাদা প্রসিদেন্ট অব্দেল ফটাহ অল-সিসিনা থা অহুমগী মনুংদা মপূং ফানা সিনাইদা ইং-তপ্পা ফিভম হঞ্জিলহনগদবনি হায়না মিলিটরিদা অকনবা য়াথং পীখি। মিলিটেন্টশিংনা মোস্ক অমদা এটেক চথুদুনা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই ৩০০ হেন্না হাৎখ্রবা মতুংদা প্রসিদেন্টকী য়াথং অদু পীখিবনি।

ফেব্রুৱারি ১২ দসু অৱাং অমদি ময়াই থংবা সিনাই রিজনদা আর্মিনা চথখিবা ওপরেসনদা মিলিটেন্ট ১২ হাৎপা ঙমখি। আর্মিগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মফম কয়াদা চথখিবা ওপরেসন অদুদা টেররিষ্টনি চিংনবা মীওই ৯২ ফাখিবগা লোয়ননা মরুওইবা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম ৬০ হেন্না অমাঙ-অতা থোকহনবা ঙমখি। ফেব্রুৱারি ১১ দনা সিনাইদা চথখিবা মিলিটরি ওপরেসন অমদা মিলিটেন্ট ১৬ হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৩৪ ফাবা ঙমখি। প্রসিদেন্ট অব্দেল ফটাহ অল-সিসিনা মখা তানা ফম পায়নবা থৌরাং লৌখৎলকপগা লোয়ননা মিলিটেন্টশিংগী থবক থৌরম কনখৎলকখিবনি।

# সাহবাজ শরিফপু পাকিস্তান মুস্লিম লীগ - নৱাজগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি): পাকিস্তান মুস্লিম লীগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) না পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর সাহবাজ শরিফপু পার্টি অসিগী এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফপুনা লাইফটাইম প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। লাহোরদা নৱাজ শরিফনা প্রীসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা পি এম এল-এনগী সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটি (সী দব্লিয়ু সী) গী মীফমদা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকান অবাস, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফকী মচানুপী মারিয়ম নৱাজ অমদি পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টরগী মচানুপা হমজা সাহবাজসু শরুক য়াখি। পার্টিগী এক্টিং প্রসিদেন্ট খনখ্রবা সাহবাজ শরিফপু নুমিৎ ৪৫ নিগী মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্টিগী মীখলদা পর্মনেন্ট প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লগনি হায়না জিও ন্যুজগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। পঞ্জাবতা চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎখিবগীদমক মনাওনুপা সাহবাজ শরিফপু পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইনা পুখৎখিবনি হায়রি।

চৈরকসিদা, নৱাজ শরিফপু পার্টিগী লাইফটাইম প্রসিদেন্ট ওইনা খন্নবগী মতাংদা লৌখিবা ফিরেপ অদুবু পি এম এল - এনগী চ্যেরমেন রাজা জফরুল হক অমসুং সাহবাজ শরিফনা মপূং ফানা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে। পনবা য়াবদি, মমাঙ চয়োলদা সুপ্রীম কোর্টনা ইলেক্সন এক্ট, ২০১৭ কী ক্লোজ ২০৩ লৌথোক্লবা ৱায়েল পীখিবগা লোয়ননা নৱাজ শরিফপু পি এম এল - এনগী প্রসিদেন্ট ওইবা তোকহনখিবনি।

নৱাজ শরিফনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা লৌখিবা ৱারেপ পুম্নমকসু মখা তানা চৎনররোই হায়না সুপ্রীম কোর্টকী ৱায়েল অমনা ফোঙদোকখি। ৱায়েল অদুনা মরম ওইরগা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরনা সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটিদা নোমিনেট তৌরম্বা মেম্বর ১০৯ গী মরাইবক করি ওইগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

পনবা য়াবদি, মফম লৌথোকখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফপু পি এম এল - এনগী প্রসিদেন্ট ওইহন্দনবগী মতাংদা ওপোজিসনন পুখৎলকখিবা বিল অমা পার্লিয়ামেন্টনা রিজেক্ট তৌবা লৈখ্রবনি। পানামা পেপর্সকী কেসতা চেন্নৈ হায়বগীদমক জুলাই ২৮ দা সুপ্রীম কোর্টনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থাদোকহনখ্রবা নৱাজ শরিফপু ওক্টোবরদা পি এম এল - এনগী প্রসিদেন্ট ওইনা অমুক হন্না খনখিবনি।

পাকিস্তান পীপলস পার্টি (পি পি পি) গী মেম্বর সয়ীদ জাবিদ কমরনা বিল অমা পুখৎতুনা ইলেক্সন এক্ট, ২০১৭ কী সেক্সন ২০৩ লৌথোক্তুনা নৱাজ শরিফপু মখা তানা পি এম এল - এনগী প্রসিদেন্ট ফম পায়হল্লোইদবনি হায়না তকশিল্লকখি। অদুম ওইনমক বিল অদু পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনবদা মায়থীবা ফংখি।

# মফম লৌথোকখ্রবা সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্ট চহী ৩০ জেলদা থম্নবা তকশিনখ্রে

*সিওল, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি): সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা পাক গ্যুন হাইবু শেঞ্জা-থুমজা তৌখিবা অমসুং মতিক-ময়াই লান্না শীজিন্নখিবগী মতাংদা চহী ৩০ জেলদা থমগদবনি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা তকশিল্লকখ্রে।*

*তোঙান-তোঙানবা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক কয়াদা চেন্নবগীদমক মমাঙ চহীগী মার্চ থাদা মশাগী চহী ৬৬ শুরবা পাকপু লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্টনা মফম লৌথোক্লবা য়াথং পীখি।*

*কোর্টতা পাথোকখিবা প্রোসিক্যুটরশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, হান্নগী প্রসিদেন্টপু চহী ৩০ জেলদা থম্বগা লোয়ননা ৱোন বিলিয়ন ১১৮.৫ (দোলর মিলিয়ন ১১০) ফাইন ওইনা থীহনগদবনি। পাকনা মহাক্কী মরূপ চোই সুন-সিলগা লৌতুনরগা সাউথ কোরিয়ন কম্পেনি অহুম - সেমসঙ, লোট অমদি এস কেদগী ৱোন বিলিয়ন ৫৯.২ (দোলর মিলিয়ন ৫২) অরানবা মওংদা লৌখি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা মরাল শীখি।*

*তোঙান-তোঙানবা ফার্ম ১৮ দগী অরানবা মওংদা ৱোন বিলিয়ন ৭৭.৪ ডোনেসন ওইনা লৌখি হায়নসু পাককী মথক্তা প্রোসিক্যুটরশিংনা মরাল শীরকখি। সিওল সেন্ট্রেল ডিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা হন্দক্তা চোই সুন-সিলবু তোঙান তোঙানবা ৱাথোক কয়াদা চেন্নৈ অমসুং মতিক-ময়াই লান্না শীজিন্নরগা অরানবা মওংদা য়াল্লবা শেনফম অমা খোমগৎখি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।*

*মমাঙ চহীদা প্রোসিক্যুটরশিংনা হান্নগী প্রসিদেন্ট পাক গ্যুন হাইবু ফানবা তকশিনখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱায়েল অমা চথুদুনা লাকখি। মিনিষ্ট্রি ওফ জষ্টিসকী প্রোসিক্যুসন টিম অমনা মীওই অসিগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথখিবনি।*

# ইন্দিয়া, নেপালনা পিথোরাগরদা লানগী শাজেল পাঙথোক্লগনি

কাথমন্দু, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি): ইন্দিয়া অমদি নেপালনা উত্তরখন্দদা লানগী শাজেল পাঙথোকমিন্ননবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে। জঙ্গল ৱারফ্যের, এন্টি টেররিজম অমসুং অতৈ অতোপ্পা হীরম কয়াদা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা পূন্না লানগী শাজেল পাঙথোকমিন্নরগনি হায়রি।

নেপালগী অনৌবা ডিফেন্স মিনিষ্টর ঈশ্বর পোখরেলনা থৌ হেক পুবগা সুরয়া কিরন নেপাল ইন্দিয়া মিলিটরি জোইন্ট এক্সরসাইজ পাঙথোক্লবগী মতাংদা য়ানচে সাইন তৌনখি। থা খরগী মনুংদা উত্তরখন্দগী পিথোরাগরদা ১৩ রক শুবা ওইনা ইন্দিয়া অমদি নেপালগী জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ পাঙথোক্লগনি। চহী খূদিংগী য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং হৈথোই-



শিংথোইবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা লানগী শাজেল পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। মমাঙ চহীগী সুরয়া কিরন মিলিটরি এক্সরসাইজ কাথমন্দুদা পাঙথোকখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লানগী শাজেল অসিদা জঙ্গল ৱারফ্যের, এন্টি টেররিজম কম্বেট অমদি ডিজাষ্টর রেস্পোন্স এক্টিভিটিনচিংবা য়াওগদৌরি। ইন্দিয়ন আর্মিগী মকোক জেনরেল বিপিন রাৱটনা হন্দক্তা নেপালদা চৎলুরবা মতুংদা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং পূন্না লানগী শাজেল পাঙথোকপগী ৱাফম লাউথোরকখিবনি।

চৈরকসিদা, ইমিনেন্ট পর্সন্স গ্রুপকী ইন্দিয়া কোওর্দিনেটর বগট সিংহ কোসিয়ারিনা হায়খ্রে মদুদি ইন্দিয়ানা অথুবা মতমদা ন্যু দিল্লি অমদি কাথ-মন্দুগী মরক্তা রেল লম্বী শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। দিল্লিদগী কাথমন্দু ফাওবা রেল লম্বী শেম্বগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনরি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী লূচিংবা অমসু ওইরিবা কোসিয়ারিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, লৈবাক অনীগী মরী চেৎশিলহন্নবগী মতাংদা সী পি এন-যু এম এলগী চ্যেরমেন কে পি শর্মনা লূচিংবা নেপাল গভর্নমেন্টকা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি।

# নোর্থ কোরিয়া অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অথুবা মতমদা ৱারী শানবা হৌরগনি হায়না চাইনানা থাজবা ফোঙদোকখ্রে



বৈজিং, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি): অথুবা মতমদা নোর্থ কোরিয়া অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরকপগী ফিভম লাকপা য়াই হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন লু কাংনা হায়খি, কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা নৌনা থোরক্লিবা ৱাথোক লোইশিলহন্দুনা তংদু-লৈতাবা ফিভম অমা পুরক্লবগী-দমক অথুবা মতমদা প্যোংয়াংনা ৱাশিংটনগা ৱারী শানবা হৌরগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

হন্দক্তা সাউথ কোরিয়াগী প্যোংচাংদা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক্সনা মরম ওইরগা নোর্থ কোরিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অমা ফংলগনি হায়না থাজনরি। নোর্থ কোরিয়ন ওফিসলশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা অথুবা মতমদা ৱারী শাননিংবগী ইঙ্গিৎ পীরক্লে হায়না সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্ট মুন জাই-ইননা হন্দক্তা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা হেন্না কনবা অথিংবা কয়ামরুম থমজিনখ্রে। ন্যুক্লিয়র অমসুং ৱেপন্স প্রোগ্রাম পায়খৎলিবা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা হেন্না কনবা অথিংবা কয়ামরুম থমখিগনি হায়নসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৭ তা নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং কয়ামরুম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম মখা তানা পায়খৎলকপদগী কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা অমুক্কা হেন্না টেন্সন ৱাংখৎলকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ৱাশিংটন অমদি প্যোংয়াংগী মরক্তা মুক্লবা থৌদোক কয়ামরুম থোকখি। চৈরকসিদা, নোর্থ কোরিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শাননিংবগী অপাম্বা লৈরবসু হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চিংনবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ডেমোক্রেটিক পীপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী ওফিসল অমনা সাউথ কোরিয়াদা হায়খি মদুদি প্যোংয়াংনা অথুবা মতমদা ৱাশিংটনগা ৱারী শানবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। অদুম ওইনমক য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী মফমদা চিংনবা মীৎয়েং থল্লি।

# প্রাগকী কোর্টনা হান্নগী সিরিয়ন কর্দিশ লূচিংবা থাদোকখ্রে

প্রাগ, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি): সিরিয়াগী কর্দিশ ডেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন পার্টিগী লূচিংবা ওইরম্বা মীওই সালে মুস্লিমবু প্রাগকী কোর্ট অমনা থাদোক্লবা য়াথং পীখ্রে। চেক রিপব্লিক্কী কোনুং প্রাগতা ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা মীওই অদু টর্কিনা হায়জরকপদগী থাদোক্লবা অয়াবা পীখিবনি হায়না মহাক্কী উকিলনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। কোর্টকী স্পোক্স-পর্সননা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি নোংমাইজিং নুমিৎতা সালে মুস্লিমবু চেক রিপব্লিক্কী কোনুং প্রাগতগী ফাখিবনি। অঙ্করানা থারকখিবা হায়জ চেরোল অমগী মতুং ইন্না মীওই অদু প্রাগতা লৈবা ইন্টরপোলগী ওফিসনা ফানবা ৱারেপ লৌখি।

টর্কিশ কর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টিগা নক্লবা কর্দিশ ডেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন পার্টিবু অঙ্করানা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। টর্কিশ ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা সালে মুস্লিমবু খ্বাইদগী পাম্না ফাগদবগী তান্নরিবা টেররিষ্টশিংগী মনুং চলহনখি। ফেব্রুৱারি ১৩ দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, সালে মুস্লিম ফাবা ঙম্বা মীওইদা দোলর মিলিয়ন ১গী মনা পীগনি। কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বরদা টর্কিনা মুস্লিম ফানবগী মতাংদা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌখি। চহী অদুমক্কী ফেব্রুৱারি থাদা লৈবাক্কী



কোনুং অঙ্করাদা এটেক চথুদুনা টর্কিশ মিলিটরি ২৭ হাৎখিবগীদমক মীওই অদু ফানবা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, কর্দিষ্টান ডেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন পার্টিগী লূচিংবা সালে মহমদপু খূৎশিন্নবীরক্লবা টর্কিনা চেক রিপব্লিকতা হায়জদুনা লাকখিবনি। প্রাগতা মীওই অসি ফারে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা টর্কিশ ডেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর বেকির বোজদাগনা অইবা চেরোল অমা থাদুনা সালে মুস্লিম খূৎশিন্নবীরক্লবা হায়জখিবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রি, ফোরেন মিনিষ্ট্রি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ জষ্টিসনা সালে মুস্লিমবু টর্কিদা খূৎশিন্নবগী মতাংদা কুপ্না খন্নদুনা লাকখি। অৱাং থংবা সিরিয়াদা কর্দিশ ফুরুপকী পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা কর্দিশ ডেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন পার্টিবু অঙ্করানা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা লৌবগা লোয়ননা সিরিয়াগী অফ্রিন রিজনদা লূপ অসি য়াওনা অতৈ কর্দিশ মিলিসিয়াশিংগী মথক্তা মিলিটরি ওপরেসন চথুদুনা লাকখি। অমরোমদা টর্কিশ প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িপ অর্দোগননা হায়খ্রে মদুদি সিরিয়াগী অফ্রিন রিজনদা চথরিবা ওপরেসনগী মতাংদা কর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টিনা অরানবা ৱাফম শন্দোকপদা মালেমগী মীয়াম্না থাজবা ঙম্লোই।

# সীজফায়র লাউথোক্লখ্রবসু সিরিয়াদা নোংথক্তগী এটেক চথবা, রোকেট কাপশিনবা লেপত্রি

বৈরুট, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি): লালহৌবশিংনা খুদুম চল্লিবা নোংপোক থংবা সিরিয়াগী ঘোটাদা মীচম মীয়াম শোকহন্দনবা রসিয়ানা খূৎ থানবা লেপ্পগী ৱাফম লাউথোকখ্রবসু নৌনা অমুক ঙসি নোংথক্তগী এটেক চথুরকখিবগা লোয়ননা রোকেট কয়া কাপশিল্লকখ্রে। য়ু এন হ্যুমেনিটরিয়ন ওফিসকী স্পোক্সমেন জেন্স লার্কনা পাউমীশিংদা হায়খি, ইষ্টর্ন ঘোটাদা মখা তানা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক থোক্লি। নাকল অনী অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লরিবা মরম্না মফম অদুদা মীচম মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎনবা ৱাফম খন্নবা লৈত্রি। সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনসু ইষ্টর্ন ঘোটাদা নোংথক্তগী বোম থাদরকপা অমসুং রোকেট কাপশিল্লকপগী থৌদোক থোকখি হায়না মীদিয়াদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ষ্টেট মীদিয়ানদি মীচম তাবা মফম কয়াদা লালহৌবনা মোর্টার সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকখি হায়না মরাল শীখি। বৃটেনদা বেজ তৌবা ওবজর্ভেটরিনা হায়খি, ইষ্টর্ন ঘোটাগী সাইফুনিয়া এরিয়াদা বোম থাদদুনা অমসুং রোকেট কাপশিন্দুনা অকনবা মওংদা এটেক চথুরকখি। অদুম ওইনমক হৌজিকমক্কী ওইনা মীশি মীনা অমসুং অশোক-অপন য়াওবগী পাউ চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ওবজর্ভেটরিগী লূচিংবা রামি অব্দেল রহমননা ফোঙদোকখি।

এ এফ পিগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্নদি ঘোটা রিজনদা য়ূম নিংখায়রকপগী থৌদোক অমদা নুপী অমা শিখি হায়রি। বোম থাদরকপদা য়ূম নিংখায়রকপদগী নুপী অদু শিখিবনি।

রসিয়ানা মীচম মীয়াম হোন্দোক্লবগী মতাংদা লাউথোকখিবা লম্বী মশাংদা লালহৌবশিংনা রোকেট কয়ামরুম কাপশিল্লকখি হায়না সিরিয়ন ন্যুজ এজেন্সি এস এ এনএগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। অল কাইদাগা মরী লৈনবা লালহৌবশিংনা মীচম তাবা মফমদা এটেক চথুরকখিবনি হায়রি।



রসিয়ন জেনরেল ভিক্টর পেনকোভনা হায়খি মদুদি মিলিটেন্টশিংনা অকনবা মওংদা এটেক চথরকপা মরম্না ইষ্টর্ন ঘোটাদগী মীচম মীয়াম হোন্দোকপা ঙমদ্রে।

পনবা য়াবদি, সিরিয়াদা থোক্লিবা মীশি মীনাগী থৌদোকশিং অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা পোপ ফ্রান্সিসনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা খূৎ থোক্লরিবা কাঙলূপ পুম্নমক সীজফায়র লাউথোক্লদুনা অৱাবা তারবা মীয়ামদা চিঞ্জাক অমসুং হীদাক-লাংথক্কী তেংবাং পীগদবনি হায়না অপীল তৌবা লৈখ্রবনি।

সেন্ট পীটর্স স্কৱারদা পোপ ফ্রান্সিসনা লূচিংদুনা মীওই লীশিং কয়ানা মালেমদা হাৎন-শুনবগী থৌদোক লেপহন্নবগী মতাংদা লাইনিং লাইশোলগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা চহী ৭ কী মনুংদা মীশি-মীনা খ্বাইদগী য়াম্না থোকপা থা ফেব্রুৱারিনা ওইরে। নুপী অঙাং অমসুং চহী য়াল্লবা মীওইশিং য়াওনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীচম লীশিং চা কয়া শিরে। অৱাবা তারবা মীয়ামদা তেংবাংগী পোৎলম য়ৌহন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। অসিগুম্বা মখলগী হাৎন-শুনবা থৌদোকশিং মতম পূম্বগী ওইনা লেপহন্নবা য়ু এস সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎফম থোকই। মরুওইনা সিরিয়াদা নুমিৎ ৩০ নিগী ওইনা সীজফায়র লাউথোকহন্দুনা অৱাবা তারবা মীয়ামদা তেংবাংগী পোৎলম য়ৌহনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

দমাস্কস মনাক্তা সিরিয়ন গভর্নমেন্টকী লান্মীশিংনা নোংথক্তগী এটেক চথবদা মীওই ৫০০ হেন্না শিখ্রবনি। নোংপোক থংবা ঘোটাদা সিরিয়ন ফোর্সেসনা নোংথক্তগী এটেক চথুরকপদা অঙাং ১২১ য়াওনা মীচম ৫০০ হেন্না শিখি হায়না য়ুনাইটেদ কিংদমদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী মতেং লৌরগা সিরিয়ন ফোর্সেসনা লালহৌবগী অকনবা মফমশিংদা মখল মখা কয়াগী এটেক চথুদুনা লাকখিবনি। য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা খূৎ থোক্লরিবা নাকল অনী সীজফায়র লাউথোকহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। হৌজিকসু সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা নোংপোক থংবা ঘোটাদা থোক্লিবা থৌদোক্কী মতাংদা কুপ্না খন্নরি।